

# সনালৈবাক স্পোর্টস



SUNDAY, FEBRUARY 02, 2014, PAGE 7

*হন্দক্কি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা টাইটল লৌখিবী লি নাবু মহাক্কী ষ্টেটকি গভর্ণর ৱাং গৌশেংনা শেলগী মনা পীদুনা ঈকায়খুম্নখ্রে*

*দুবাই দেজার্ট ক্লাসিক্তা ফার্ষ্ট রাউন্দ লোইখিবদা মকোক থংবদা লৈরিবা রোরি মেকলোরিনা বোল য়ৈখ্রবা মতুং*

## অসাম রাইফলস কপ ষ্টেট ইক্বেষ্টরিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ রাইদর ১৩৮ না শরুক য়ারগা হৌখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ঃ*

১১ শুবা দাইরেক্টর জেনরেল আসাম রাইফলস কপ ষ্টেট ইক্বেটরিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪ টিম ১৭ কি নুপী রাইদর ১৭ য়াওনা পুন্না রাইদর ১৩৮ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকপগী থৌরমদা ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস সাউথকি মেজর জেনরেল রজিব চোপ্রা, মণিপুর ইক্বেটরিয়ন এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ডা এস জয়কুমার সিংহ অমদি মণিপুর পোনি সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট ডা কে এস ঐচ চৌর্জিৎ সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওর্নরশিং ওইখি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিংনা চৎখিবা মাচ পাসকি সলামিসু ইন্সক্টের জেনরেল আসাম রাইফলস সাউথনা ওকখি।

ঙসি অহৌবা নুমিত্তা শান্নখিবা সেনিয়র টেন্ট পেগিং লেন্স ইন্দিভ্যুজিএলগীদা কংলৈপাক পোলো ষ্টারগী এল ওলেন্দ্রো সিংহনা পোইন্ট ৩৩ ফংলগা গোল্ড, ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকি এন রঞ্জন সিংহনা পোইন্ট ৩২.৫ ফংলগা সিলভর অমদি চীঙৈখ্রেহুনবা পোলো ক্লব (সি) গী ঐচ জিবোন সিংহনা পোইন্ট ৩০.৫ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।



*সেনিয়র টেন্ট পেগিং লেন্স ইন্দিভ্যুজিএলগী গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ লৌখ্রবা রাইদরশিং*

চেম্পিয়নসিপ অসিদা অপূনবা রাইদর ১৩৮ না সেনিয়রগী টেন্ট পেগিং লেন্স অমদি সোর্দ ইন্দিভ্যুজিএলদা, জুনিয়র অমদি সেনিয়রগী সো জম্পিং, সেনিয়রগী টেন্ট পেগিংগী লেন্স টিম অমদি নুপীগী সো জম্পিংদা অথোই অহেন তান্নগনি।

## জিরি কপতা ত্রিপুরাবু মায়থীবা পীরগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ০১ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েন্না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শক খঙলবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না জে এম পি পি সি ত্রিপুরাবু গোল ৬–০ দা মায়থীবা পীদুনা টিম অসিসু কপ অসিগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্টতগী ক্লব অনীনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। অহানবা ওইনা সেমি ফাইনেল চঙখিবা টিম অদুনা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবনি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা ইম্ফাল ইষ্টকি ক্লবশিংদগী খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা শেম্বা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনসু অনীশুবা ওইনা কপ অসিদা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না জে এম পি পি সি ত্রিপুরাবু গোল ৬–০ দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি। মেটচ হেক হৌবদগী ইম্ফাল ইষ্টকি শান্নরোইশিংনা বোল পায়দুনা ত্রিপুরাগী মায়োক্তা গোল চন্নবা কন্না হোৎনখি। মেটচকি ৮ শুবা মিনিটতা টি ঐচ ভেন্দোননা গোল চন্দুনা টিমগী একাউন্দ হাংদোকখি। মসিগী মথংদা মেটচকি ১৮ শুবা মিনিটতা এল মিলননা গোল অমগা চন্দুনা ২–০ দা লৈখি।



*ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অমদি ত্রিপুরানা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেটচকি মতাঙ অমা*

মসিগী মতুংদা মেটচকি ৩৯ শুবা মিনিটতা অহানবা ওইনা গোল চনখিবা টি ঐচ ভেন্দোনানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবগা লোয়ননা টিমগী পাঞ্জল ৩ শুহনখি।

মসিগী মতুংদা সেকেন্দ হাল্ফকি মনুংদা টিম অসিগী কে ফালগুনিনা ৫৭ শুবা অমদি ৮১ শুবা মিনিটতা গোল ২ চন্দুনা পাঞ্জল ৫–০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মেটচ অদু ৱান সাইদেট ওইবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টনা বোল হেন্না পায়দুনা মখা তাবা গোল চন্নবা হোৎনখি অমসুং ৮৯ শুবা মিনিটতা টি ঐচ তোনদোনবনা গোল অমগা চন্দুনা জে এম পি পি সিবু ৬–০ দা মায়থীবা পীখিবনি। হয়েং ৱাই দি ও ইম্ফাল ৱেষ্টকা ২৭ শুবা এ আরগা ৮ শুবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগতা শান্নরগনি।

## নেসনেল বেদমিন্টন অম্পয়র এগজামিনেসন্দা মণিপুরগী অহুম মায় পাক্লক্লে



*বোনি অকোইজম*



*নিংথৌজম মেকেঞ্জি*



*তোইজম দিনেশ্বর*

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ঃ*

ওদিশাগী কটক্তা পাঙথোকখিবা নেসনেল বেদমিন্টন অম্পয়র এগজামিনেসন গ্রেদ টু ২০১৪ দা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী অম্পয়র অহুম মায় পাক্লক্লে।

মায় পাক্লক্লবা অম্পয়রশিং অদুদি নিংথৌজম মেকেনজি, বোনি অকোইজম অমদি তোইজম দিনেশ্বর সিংহনি। মখোয় অহুম অসি থারগা নেসনেলগী অম্পয়র ওইবা ঙম্বা মণিপুরগী মীওই ৯ শুরে। মমাঙদা নেসনেল অম্পয়র ওইখিবা তরুক অদু রিটয়র ওইখিবনা নৌনা মায় পাক্লক্লবা অম্পয়র অহুম অসিনা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা নেসনেলগী ওইবা পাঙথোকপা বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদৌরি।

অম্পয়র অহুম অসিনা মায় পাক্লকপদা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না হরাও নুঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তুংদা লাক্কদৌরিবা থবক থৌরমশিংদা মায় পাকপা ওইবা ঙমসনু হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি ঐচ সঞ্জিব শর্ম্মনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ঐচ ৱাই পি সি ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ঃ*

ঐচ ৱাই পি সি হয়েল ১০ শুবা ষ্টেট লেভেল ৯–এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪, হয়েল ট্রোফিগী ফাইনেল চঙখ্রে।

ইবুধৌ ইকোক নিংথৌ মরু নোংশাবগী শান্নবুং হয়েল উচিৱাদা হয়েল য়ং পোপুলর ক্লব (ঐচ ৱাই পি সি) না শীন্দুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু ওইরিবা ঐচ ৱাই পি সিনা ট্রগপু চার্জরস নম্বোলবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি।

ঐচ ৱাই পি সিগী ফাইনেল চঙহনখিবগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু গোলমৈনা ৪৯ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। ট্রগপু চার্জরগী ফজবীদা রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি। হয়েং নুংথিলগী পুং ১ তাবা মতমদা য়ু এস সি উচিৱাগা সি টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ময়াং ইম্ফালগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচনা তাং ৩ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা শান্নগনি।

## থাংজম লৈরক, পাওনা বজার, বিজয় গোবিন্দ মমাঙ লৈকাই অমদি কৈশামথোং খুল মায় পাকখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ঃ*

শগোলবন্দগী বিজয় গোবিন্দা লম্পাক্তা চথরিবা অনীশুবা শগোলবন্দ কেন্দ্র ৭–এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকি লীগ মেটচশিংদা এস এস এ এন থাংজম লৈরক, পি বি ৱাই সি পাওনা বজার, এস ৱাই দি এ বিজয় গোবিন্দ মমাঙ লৈকাই অমদি কে কে ৱাই য়ু কৈশামথোং খুল মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ সিগী মেটচতা এস এস এ এন থাংজম লৈরক্না ৱাই পি য়ু মৈনো লৈরকপু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীখি।

এস এস এ এনগী গোলশিং অদু অসিনিকুমারনা ১০ অমদি ১৩ শুবা মিনিটতা অনী অমদি ৱাই দিপসননা ৩৪ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। ৱাই পি য়ুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মংলেম্বা মোতুম্না ৯ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচতা পি বি ৱাই সি পাওনা বজারনা কে টি ঐচ এল ৱাই ও ক্বাকৈথেলবু গোল ৫–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। পি বি ৱাই সিগী গোলশিং অদু গুনজয়না ২১, ৪০, ৪৪ অমদি ৪৯ শুবা মিনিটতা মরি অমদি ধনচন্দ্রনা ৫৬ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি।

কে টি ঐচ এল ৱাই ওগী গোলশিং অদুনা মণিচন্দ্রনা ৮ অমদি ২৪ শুবা মিনিটতা অনী, তরুন অমদি পিলুনা ২৩ অমসুং ৩১ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এস ৱাই দি এ বিজয় গোবিন্দা মমাঙ লৈকাইনা উষা ভাবন শয়াংবু গোল ৪–১ দা মায়থীবা পীখিবনি। এস ৱাই দি এগী গোলশিং অদু এন জি সাগর, হেরিসন অমদি আর কে মোমোচানা মথংশিংনা ৫, ২৯ অমদি ৩৭ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবগা লোয়ননা ৪৪ শুবা মিনিটতা উষা ভাবনগী এস বোইনা ওন গোল অমা চনখিবনি। উষা ভাবনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এলেন্দনা চনখিবনি।

মরিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচতা কে কে ৱাই য়ু কৈশামথোং খুলনা দব্লিউ এফ সি অমুদোনবু গোল ১৯–২ দা চাউনা মায়থীবা পীখ্রে।

কে কে ৱাই য়ুগী গোলশিং অদু পাউখুনলুং কামৈনা ৮, ১৭, ২২, ২৯, ৩১, ৪০ অমদি ৫৬ শুবা মিনিটতা তরেৎ, গাইদিমলুং কামৈনা ৯, ১৪, ২৭, ৩০ অমদি ৩২ শুবা মিনিটতা মঙা, থাইঙালুম গোলমৈনা ২৪, ৩৩, ৪১ অমদি ৪৩ শুবা মিনিটতা মরি, জেম্পু কামৈ অমদি লানচুঙম কামসোননা ৪৫ অমদি ৫৪ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। দব্লিউ এফ সিগী গোল অনী অদু সনাতোম্বনা ১১ অমদি ৫৯ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

## রবি অমদি ওজিৎ ফাইনেলদা থেংনরগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ঃ*

রবি অমদি ওজিৎনা ৫৯ শুবা বেটরান ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ গী চহী ৩৫ মথক্কী ফাইনেলদা হয়েং থেংনরগনি। মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা দি এম কলেজ কেম্পসতা লৈবা এম বি এগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা চহী ৩৫ মথক্কী সিঙ্গলসকি অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই ওজিৎনা ও বসন্তবু ১২–২১, ২১–১২, ২১–১৯ দা অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এ কে রবিনা কে ঐচ কেনেদিবু ২১–১৪, ২১–১৫ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি।

চহী ৫০ মথক্কী সিঙ্গলসকি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা এম মোবিনা এন নোবিনবু ২১–১৩, ২১–১৩ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখ্রে। চহী ৪০ মথক্কী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এম প্রতাবনা টি ঐচ মিলনবু ২১–৯, ২১–৫ তা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখ্রে।

## সাই উৎলৌনা এল এম এফ এ থোইরগা সেমি চঙখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ঃ*

দি এস এ ককচিংগী শান্নবুংদা চথরিবা ১০ শুবা দি এস এ ট্রোফি, ৭ শুবা নাওরেম ভুবন মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সাই এস এ জি উৎলৌনা এল এম এফ এ উৎলৌবু টাইব্রেক্তা গোল ৭–৫ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

মেটচ অদুগী অপীবা মতমগী মনুংদা টিম অনীনা গোল ২–২ চন্দুনা মান্ননা লৈবদগী টাইব্রেক্না মেটচ অদুগী লাইবক লেপনখি। টাইব্রেক অদুদা সাইনা গোল ৫ অমদি এল এম এফ এনা গোল ৩ চনখি।

## দেবলা ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০১ঃ*

বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চথরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিএল ট্রোফি টেনিস বোল ক্রিকটে টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদা মায় পাক্লগা এস এস সি সি নাওরিয়া পাখং লাকপা অমদি এস সি সি খাঙবোক সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৩ শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটসতা এস এস সি সি নাওরিয়া পাখং লাকপনা এল সি এ খাঙবোকপু রন ২০ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এস সি সি খাঙবোক্না এস–টু টোপপু ৱিকেট ৪ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।


Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

**MILLENNIUM SCHOOL**

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.



**ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)**

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H. (Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H. (St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh. (LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj (St. Joseph) 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G. (NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana (PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th. (NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro (Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK. (Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

**MEGA MOCK TEST 2014**

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726